অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# মৈরা এফ সী তেকচম অমসুং এ স্কৱার পাংশোই মায় পাকখিবদগী সেমী ফাইনেল য়ৌখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) ঃ
মণিপুর ইমাগী চাংদম্নফম ওইবা মচাশিং (মাইচোন) চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়না শীন্দুনা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়গী পোলোগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট২০১৯ ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অনীদা মৈরা এফ সী তেকচম অমসুং এ স্কৱার পাংশোই ঙসি মায় পাকখিবদগী সেমী ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টিম ১২না কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকখিবা অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মৈরা এফ সী তেকচম অমসুং টোলহৈ এফ সী তেন্থা লম্বা তৌনখি।

মেচকী অহানবা হাফতা মৈরা এফ সীগী মায়কৈদগী সহিদুরনা ৫শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। টিম অদুনা টোলহৈ এফ সীদগী হেন্না ফজনা শান্নবা ঙমখি। ১৩শুবা মিনটতা অজিৎনা মৈরাগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা লৈরিঙৈ টিম অদুগীমক্কী সহিদুরনা অমুক্কা হন্না শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা মৈরা এফ সীগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনশিন্দুনা অহানবা হাফ অদু তোলহৈ এফ সীবু মৈরা এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। মেচকী ২১শুবা মিনটতা তোলহৈ এফ সীগী মায়কৈদগী রোবেন্না পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা মৈরা এফ সীগী পাঞ্জল চনবা লেপখিদে। টিম অদুগী প্রিয়োনা ৪৩শুবা অমসুং ৪৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ হাপচিন্দুনা তোলহৈ এফ সীবু ৫-১দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা তোলহৈ এফ সীগী মায়কৈদগী কেনিওনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মৈরা এফ সীনা তোলহৈ এফ সীবু মায়থীবা পীরগা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এ স্কৱার পাংশোই অমসুং এফ এফ সী অংথা লম্বা তৌনখি। এ স্কৱার পাংশোইগী শান্নরোয়শিংনা এফ এফ সী অংথাবু য়াম্না খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি।

অহানবা হাফতা এ স্কৱার পাংশোইগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। অদুগা এফ এফ সী অংথাগীনা অমা চনখি। এ স্কৱার পাংশোইগী মহেসনা অহানবা হাফতা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা হেটট্রিক ফংখি। টিম অদুমক্কী চাউবনা পাঞ্জল অমা অদুগা এফ এফ সী অংথাগী মায়কৈদগীনা মালেমঙানবনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা এ স্কৱার পাংশোইগী মায়কৈদগী পাঞ্জল মরি হেন্না চনবা ঙমখি। অহানবা হাফতা হেটট্রিক ফংখ্রবা মহেসনা পাঞ্জল অনী অমগা হাপচিল্লগা পুন্না এ স্কৱার পাংশোইগী ওইনা মহাক্না পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। টিম অদুমক্কী নিলকান্ত অমসুং ইমরাননা অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অমমমগা চনবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা এফ এফ সী অংথাগী মায়কৈদগী কেঙান্থোই অমসুং ৱাই বিকিনা পাঞ্জল অনী হন্দোক্লগা মেচ অদু পাংশোইনা ৮-৩দা থোইরগা সেমী ফাইনেলদা মৈরা এফ সীগা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমী ফাইনেলনা এন্দিবর এফ সী অমসুং বোলেরো এফ সী শান্নগনি।

অহানবা কে সী এ জুনিয়র (য়ু-২০) চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯

# নাওরেমচা য়োইহেনবনা অহানবা কে সী এ জুনিয়র চেছ টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) ঃ
কংলৈ চেছ একাদেমি শিংজমৈনা শীন্দুনা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়গী বাল দেব হোলদা অহানবা কে সী এ জুনিয়র (য়ু-২০) চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী টাইটল নাওরেমচা য়োইহেনবনা লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা অমদি তরেৎশুবা রাউন্দ অদুদা ঙরাং রাউন্দ ৬ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৬ ফংদুনা মাঙজিল থারম্বা গুরুঅরিবম এরোস্মিথ শর্ম্মানা নাওরেমচা য়োইহেনবগা লম্বা তৌনবদা য়োহেনবনা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬/৬ মান্নখ্রবসু এরোস্মিথপু মহাক্না মায়থীবা পীবা ঙমখিবগীদমক চহী ২০ মখাগী টাইটল অদু মহাক্না লৌখি।

এরোস্মিথনা অনীশুবা পোজিসন তারগা পোইন্ট ৫.৫ ফংখিবী য়ূমখাইবম য়াইস্নানা অহুমশুবা পোজিসন ফংখি। নুংশিথোই ঙাইরাংবম অমসুং লনহৈবা লোইতোংবম্না মথংশিংনা মরিশুবা অমদি মঙাশুবা পোজিসন ফংখি।

য়ূমখাইবম য়াইস্নোনা ঙসি টেবল নম্বর টুদা ক্ষেত্রিময়ূম এমসনগা লম্বা তৌনবদা মায় পাকখি। য়াইস্না তরুকশুবা রাউন্দ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৪.৫ ফংখিবনি। ঙসি পোইন্ট অমা হাপচিল্লগা ৫.৫ য়ৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুংশিথোই ঙাইরাংবম্না টেবল নম্বর ৫দা দয়ানন্দ থৌদামগা শান্নবা তরেৎশুবা রাউন্দ অদু মায় পাকখি। লোয়ননা টেবল নম্বর ৪দা থোকচোম করুনাবু লনহৈবা লোইতোংবম্না মায়থীবা পীরগা নুংশিথোই অমসুং লনহৈবা পোইন্ট ৫/৫ ফংলবসু নুংশিথোইনা প্রোগ্রেসিভ স্কোরদা হেনবদগী মরিশুবা পোজিসন তারগা লনহৈবনা ৫শুবদা লৈহৌবনি।

পোইন্ট ৪.৫ ফংলগা শান্নরোয় মঙা লৈখি। মখোয়শিং অদুদি এলেক্স খুন্দোংবম, খুমন আইনষ্টাইন মাইবম, জালেস থৌদাম, মাইবম য়োহেনবা খুমন অমসুং তন্থাইলিয়ু গাংমৈনি।

চহী ৮ মখাগী রেঙ্কিংদা পোইন্ট ৪ ফংলগা দয়ানন্দ থৌদামনা মকোক ওইখি। পোইন্ট চপ মান্নরবসু থোকচোম করুনা দয়ানন্দনা প্রোগ্রেসিব স্কোর হেনবদগী অনীশুবা তাহৌখি। লোয়ননা অহুমশুবা পোজিসন অদু পোইন্ট ৩.৫ ফংখিবা লেম্বা শৌগাইজম্না তাখি।

চহী ১০ মখাগী ওইনা ঙানবা ৱাইখোমনা পোইন্ট ৪ ফংলগা মকোক ওইখি। মহাক্না ঙসি অরোইবা রাউন্দদা কোনালিকা য়ূম্নামবু মায়থীবা পীখি। কাঙলূপ অদুগী অহুমশুবা পোজিসন অদু লনচেনবী ঙাইরাংবম্না পোইন্ট ৩ ফংলগা লৌখি। লোয়ননা অহুমশুবা পোজিসন অদু খুমন্থেম পেত্রিক্লা ফংখি।

চহী ৮ মখাগী নুপীমচাগী কাঙলূপ্তা কোনালিকা য়ূম্নাম, দি কে দাইলিম মরিং অমসুং লিন্থোইঙম্বী য়েংখোম্না মকোক মথং তাখি।



১১শুবা লোক্তাক ত্রোফি

# শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং এস এস য়ু দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচ এন এস) ঃ
এন ঐচ পি সী লিমিটেদ লোক্তাক পৱার ষ্টেসন মণিপুরনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা) না শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ১১শুবা লোক্তাক ত্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী অনীশুবা মেচতা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং এস এস য়ু শিংজমৈ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম তরুক্না শরুক য়ারগা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১১শুবা লোক্তাক ত্রোফি অসিদা শরুক য়ারকপনি। গ্রুপ এদা অমোফা মোইরাং, এস এস য়ু শিংজমৈ অমসুং শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অদুগা গ্রুপ বিদা নেরোকা, নিশা অমসুং কে পি এফ সীনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী হৌবদগী পাঙ্গল মান্ননা শান্নরবসু শান্নবগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ অদুগী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদসু টিম অনীগী শান্নরোয় পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু দ্রো চৎখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মেচ লৈরোই। থা অসিগী ১৫দা গ্রুপ বিগী অহানবা ওইনা নেরোকা অমসুং নিশা লম্বা তৌনগনি।

অনীশুবা এম এল এ ত্রোফি সভেন মেন এ সাইদ নোক আউট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# ৱাই এ দি এ-এ মায় পাকখ্রে, এম ৱাই সী ৱাইখোংবু ৱাই এ দি এ কাংশোইবীনা থোইখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) ঃ
কুম্বী অদরস য়ুথ ওর্গনাইজেসন (কে এ ৱাই ও) কুম্বীনা শীন্দুনা কে এ ৱাই ওগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা এম এল এ ত্রোফি সভেন মেন এ সাইদ নোক আউট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই এ দি এ-এ মায় পাকখ্রে, এম ৱাই সী ৱাইখোংবু ৱাই এ দি এ কাংশোইবী থোইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়ারগা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা এম এল এ ত্রোফি সভেন মেন এ সাইদ নোক আউট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা মেচতা কে ৱাই ও কুম্বী অমসুং ৱাই এ দি এ-এ লম্বা তৌনবদা ৱাই এ দি এ-এনা পাঞ্জল ৬-২দা থোইখি। ৱাই এ দি এ-এগী মায়কৈদগী প্রিতম্না হেটট্রিক ফংখি। গোবিন, নাওবা অমসুং প্রেসনা পাঞ্জল অমমম চনখি। লোয়ননা কে এ ৱাই ও কুম্বীগী তোম্বনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি।

অনীশুবা মেচতা এম ৱাই সী ৱাইখোংবু ৱাই এ দি এ কাংশোইবীনা ৫-২দা থোইখি। ৱাই এ দি এ কাংশোইবীগী মায়কৈদগী ওজিৎনা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় প্রেমচান্দনা পাঞ্জল অমা হাপচিনখি। এম ৱাই সী ৱাইখোংগী মায়কৈদগী সিটলনা পাঞ্জল ২ চনখি।

# মণিপুরগী মাইস্নাম মিনাকুমারিনা বোক্সিং ৱর্ল্ড কপকী গোল্ড ফংখ্রে

কোলোন, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সী)ঃ জর্মনিগী কোলোন সিটিদা পাঙথোকপা কোলোন বোক্সিং ৱর্ল্ড কপ২০১৯দা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা মাইস্নাম মিনাকুমারি গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

ঙসি নুপীগী কেজি ৫৪গী ৱেট কেটেগোরি (বেন্টাম) গী ফাইনেলদা মাইস্নাম মিনাকুমারিনা থাইলেন্দগী বুনিয়ানুদ মসাইগা লম্বা তৌনবদা ফাইনেল বাউট অদুগী জজ মঙানা মিনাকুমারিগী মায়কৈদা পোইন্ট হেন্না পীরকপা মরম্না ফাইনেল অদু মহাক্না ৫-০দা থোইদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।



টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী সাক্সিনা নুপীগী কেজি ৫৭কী কেটেগোরি (ফেদর) গী ফাইনেলদা আয়রলেন্দগী বোক্সর ৱালস মিসেলাগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনবদা জজ মঙা অদুনা সক্সিদগী হেন্না ফজবা ঙমখিবী আয়রলেন্দগী ৱালস মিসিলাদা পোইন্ট লোইনা পীখিবদগী সাক্সি ০-৫দা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

নুপীগী কেজি ৬৪ (ৱেলটর) কী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পিলাও বাসুমাটরি অমসুং চাইনাগী সেং য়ু য়াংগা লম্বা তৌনবদা ইন্দিয়াগী বাসুমাটরিগী মায়কৈদা ফাইনেল বাউট অদুগী জজ মঙাগী মনুংদা অমনা মহাক্কী পোইন্টশিং হেন্না পীখি। অদুবু অতোপ্পা জজ মরি অমনা চাইনাগী বোক্সর সেং য়ু য়াংগী মায়কৈদা পোইন্ট পীখিবা মরম্না ফাইনেল অদু ইন্দিয়াগী পিলাও বাসুমাটরি স্কোর ১-৪দা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

নুপীগী কেজি ৫১দা ইন্দিয়াগী বোক্সর পিঙ্কি রানি ঙরাং পাঙথোকখিবা সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। হায়রিবা বাউট অদুদা অর্মেনিয়াগী আনুস গ্রিগোর য়াংনা আয়রলেন্দগী কার্লি মেকনোলগা অকন্নবা লম্বা থেংনরগা স্কোর ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড ফংখি।

# য়ঙ য়ুনাইটেদ ক্লবনা পি টি সী সীবু রন ৯৪দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচ এন এস) ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপা চহী ১৬ মখাগী নুপামচাগী নাওরেম রাজ নিংথৌ সিংহ ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মঙাশুবা মেচতা য়ঙ য়ুনাইটেদ ক্লবনা পি টি সী সীবু রন ৯৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

হৈনৌবোক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অদুগী টোস ৱাই য়ু সীনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা ওভর ২৯.৪দা ৱাই য়ু সী রন ১৫৬ লৌরগা বেটসমেন ১০মক আউট ওইখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী সোমোরাজনা বোল ২১দা রন ৩৭ লৌরগা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। কদমজিৎ অমসুং বিদ্যাশ্বর মথংশিংনা রন ২০ অমসুং ১১ লৌরমখি।

রন ১৫৭ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু পি টি সী সীগী বেটসমেনশিং ১৯শুবা ওভরগী অহুমশুবা বোলদা রন ৬২খক লৌরগা বেটসমেন ১০মক আউট ওইখিবদগী মেচ অদু ৱাই য়ু সীনা রন ৯৪দা থোইখি।

ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগী অরুনকুমার অমসুং দোমিনিক ৱিকেট ৩/৩ লৌবা ঙমখি। লোয়ননা ৱ্রাইন অমসুং চেম্পিয়ন ৱিকেট ২/২ লৌখি। মেচ অদুগী ওইনা ৱাই য়ু সীগী সোমোরাজনা মেন ওফ দি মেচ তাখি। থা অসিগী ১৫দা সাইক্লোন অমসুং য়ু সী সী অদুগা ওস্কার অমসুং পি টি আর সী শান্নগনি।

# কে এল ৱাই এস সী, এম এস ভি টি, ৱাই এম দি ও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস)ঃ
এম এম ৱাই সিনা শীন্দুনা ৱাই এস এস য়ুনা স্পোন্সর তৌবা অনীশুবা লেট পি ঐচ ধর্ম্মচন্দ্র মেমোরিয়ল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোলিভোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কে এল ৱাই এস সী কাচি খুল, এম এস ভি টি মণিপুর অমসুং ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্লা লম্বা তৌনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিদা য়ুম্বু ক্লব ওইরিবা এএমৱাইসি অন্দ্রো, ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং, কে ৱাই এল এস কাচিখুল অমসুং এনৱাইবিএম নাওরেম পুন্না লৈরি।

গ্রুপ এদা টিৱাইদল্লীয়ুসি থমনাপোকপী, এমএসভিটি মণিপুর, আই জি ও ওইনাম অমসুং এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াং ইম্ফালনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা কে ৱাই এল এস সী কাচি খুলগা এ এম ৱাই সী অন্দ্রোগা য়াম্না অকনবা লম্বা থেংনদুনা শান্নরকপদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু ক্লব এ এম ৱাই সী অন্দ্রো সেট ১-৩দা মায়থীখি। অহানবা সেট কে ৱাই এল এস সীনা ২৬-২৪দা থোইখি। অনীশুবা সেটতসু মখোয়না ২৫-২২দা থোইরগা অহুমশুবা সেট এ এম ৱাই সীনা ২৫-২২দা থোইরবা মতুং মরিশুবা সেট কে ৱাই এল এস সীনা ২৫-১৬তা থোইখি।

অনীশুবা মেচতা এম এস ভি টি মণিপুর অমসুং টি ৱাই দল্লিয়ু সী থম্নাপোকপী শান্নরকপদা এম এস ভি টিনা সেট ৩-২দা থোইখি। অহানবা সেট এম এস ভি টিনা ২৫-২১দা থোইরবা মতুং থংনবা সেট অনী টি ৱাই দল্লিয়ু সী থম্নাপোকপীনা ২৫-২১, ২৫-২০দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অদুবু এম এস ভি টিনা মখা তারকপা সেট অনী ২৫-২২, ১৫-১২দা থোইবা ঙমখি।

অহুমশুবা মেচতা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা এন ৱাই ভি এ নাওরেম্বু সেট ৩-১দা থোইখি। অহানবা সেট ৱাই এম দি ওনা ২৫-২২দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুসু ২৫-২১দা মাঙজিল থারিঙৈদা এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না অহুমশুবা সেট ২৫-২২দা থোইখি। অদুবু মরিশুবা সেট অদুদা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা য়াম্না ফজবা হেনখিবদগী এন ৱাই ভি এবু ২৫-১৯দা থোইরগা সেট ৩-১দা মায় পাকখি।

এম এস ভি টি মণিপুরগী ঙসি অনীশুবা মেচ অদু মখোয়না আই জি ও ওইনাম্বু সেট ৩-১দা থোইখি। অহানবা সেট আই জি ও ওইনাম্না ২৮-২৬তা থোইরম্লবা মতুং মখা তারকপা সেট অহুম এম এস ভি টিনা থোইদুনা সেট ৩-১দা মায় পাকখি।

# ও এন ৱাই সী ত্রোফিদা ঙসি মেচ ৪গী মনুংদা ২ দ্রো চৎখ্রে, ২না মায় পাক্লখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচ এন এস) ঃ
ওকসু নিংথেমচা খুল য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা লমলাই কেন্দ্র অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ অমদি অতোপ্পা কেন্দ্রগী ইনভাইটি য়াওনা পাঙথোকপা ও এন ৱাই সী ত্রোফি মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচ মরিগী মনুংদা মেচ ২ দ্রো চৎখ্রে অদুগা অনীনা মায় পাক্লখ্রে।

ঙসি অহানবা মেচতা ও এন ৱাই সী-এ অমসুং টিৱাই সী থয়োং শান্নবদা টি ৱাই সীনা ৩-১দা থোইখি। টিৱাই সীগী মায়কৈদগী এস চুংচুং, এল বেঞ্জামিন অমসুং এস তেরেনা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ও এন ৱাই সী-এগী দল্লিয়ু রোহিট পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অনীশুবা মেচতা আর ৱাই সী রিসোফুং অমসুং সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি। আর ৱাই সীগী মায়কৈদগী হাখুইমি অমসুং থোত্রিংচো পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুগা সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগী দল্লিয়ু ঙাইস্নানা পাঞ্জল অনী চল্লগা মেচ অদু দ্রো চৎখি।

অহুমশুবা মেচতা সেক্তা (বি) অমসুং ঈ য়ু এস সী তেলৌ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি। অদুগা এন এন সী কে নোংদ্রেননা টি ঐচ ও ৱাই ঈ ঈবু ২-০দা থোইখি। দল্লিয়ু রেবন্ত অমসুং এস অজিৎকুমারনা শান্নবগী ১৬ অমসুং ৩৭শুবা মিনটতা এন এন সী কে এ নোংদ্রেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী অদু চনখিবনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯২

১। মখোঙ নাম্মা উনা হাপ্পা শান্নরোয় অমা ওলিম্পিক গেমসতা সনাগী মেদল অনী ফংখি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

২। ইন্দিয়াগী সঞ্জুনা টর্কিশ কপকী মেচ অমদা হেটট্রিক অমা ফংখি। মহাক্কী পাঞ্জল অনীদি মিনট ৩৭ অমসুং মিনট ৭১দা চনখি। অহুমশুবা পাঞ্জল অদু মিনট কয়াদা চনখি?

৩। ওলিম্পিক্তা টিম অনী (লৈবাক অনী) ফাইনেল শান্নগদবদা টিম অমদি শরুক য়াখিদে। মরমদি অতোপ্পা টিম অদুগী শান্নরোয়শিং অদু খোঙউপ বুট উপখি। মদুদা অতোপ্পা টিম অদুনা য়াখিদে। থৌদোক অসি করম্বা মশান্নদা থোকখিবগে?

৪। WAGON WHEEL করম্বা মশান্নগা মরী লৈনবগে?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।



HL-B/5228/23/2 to 27/4(alt)

BUSINESS LOAN AVAILABLE
(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.

1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agricultural & Horticulture items : - Fish Farmer, Mushroom Farmers, Vegetable Farmers, etc.
3. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্নবা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment , Rice Mill অসিনচিংবা।

N.B.:- Manipur গী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনিংবা অমসুং হায়া মপুং ফানা তৌদুনা লৈরিবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।

Development Organisation for Socio-Economic in Rural Area (DOFSERA)
At LG MOTORS (BUILDING 2nd FLOOR)
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL.
Mob : 9383154085
Office Hour: 10:00 am - 04:00 pm.
HL-B/5235/27/2-30/4(alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com